


# সহিদ মনোরঞ্জন ফুটবোল টুর্নামেন্টঃ হৌদোকপা নুমিৎতা মিলন ফুটবোল একাদেমীনা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদ মায়থীবা পীখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৬ (ঐচ এন এস):** ইন্সপেক্টর জেনরেল মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ সেক্টর সী আর পি এফকী মীৎয়েং মখাদা ৮৬ বট্টালিয়ান সী আর পি এফ লম্ফেলপাৎ অমদি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন (অম্ফা)না শীন্দুনা তাকয়েলগী সাই স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা আটিফিসিএল ফুটবেল গ্রাউন্দদা ১৭ লক শুবা সহিদ মনোরঞ্জন মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬ ঙসিদগী হৌদোকখিবগা লোয়ননা হৌদোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা অহানবা মেটচতা মিলন ফুটবোল একাদেমীনা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদ মায়থীবা পীখ্রে।



ঙসি হৌদোকপা নুমিৎকী অহানবা মেটচ ওইনা নুংথিল পুং ১ তাবদগী হৌরগা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদ অমসুং মিলন ফুটবোল একাদেমীগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা বোল পায়বগী চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা অমনা অমবু লাকচনা কন্ট্রোল তৌদুনা শান্ননবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে। নাকল অনীনা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখিবা অদুগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনসু নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা বোল পায়বগী চাং মান্ননা অদুম্মক শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙম্নদনা অদুম্মক লৈখি। মেটচ অদুগী ৬৩ শুবা মিনিটতা মিলন এফ এগী শান্নরোয় তখেল্লম্বম লমঙানবনা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

সগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজর ওইরিবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙম্নবা হান্নদগী হেন্না কন্না হোৎনখি। অদুবু মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা পাঞ্জল চনবা ঙখিদবনা মরম ওইরগা হৌদোকপা নুমিৎকী মেটচ অদু মিলন ফুটবোল একাদেমীনা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাকখি।

অমরোমদা, ঙসি টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ইন্সপেক্টর জেনরেল মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ সেক্টরনা অথোয়বা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা ফুটবোল মেটচ শান্নদ্রিঙৈগী মাঙওইননা কলচরেল শো কয়াসু মীয়াম মমাঙদা খুদোল তমখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা সী আর পি এফকী ওফিসলশিং, মণিপুর পুলিস, অতোপ্পা পেরামিলিটরি ফোর্সকী ওফিসরশিং, এন ঐচ পি সী, এস বি আই, স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া অমদি অম্ফাগী মরুওইবা থৌ পুবশিংসু শরুক য়াখি।

পনবা য়াবদি, ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি য়ুরেন্বম মখা লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা সী আর পি এফকী এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্ট মনোরঞ্জনবু ইকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা অমদি লমদম অসিদা ফুটবোল মশান্নবু হেন্না চাওখৎহন্নবগী পান্দমদা চহী খুদিংগী সী আর পি এফনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। হৌখিবা কুমজা ২০০৯দা ছটিসগরদা থোকখিবা নক্সলাইটশিংগা খুৎ থোক্নবগী থৌদোক অমদা এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্ট মনোরঞ্জন লৈখিদবনি। মদুগী মতুং কুমজা ২০১০দগী হৌরগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি লৈখিদ্রবা মনোরঞ্জনগী মীংদা লেপ্তুনা চত্থরকখিবনি।

# লংসাই ট্রোফিঃ সিন এফ সী অমসুং সেংগ্রোং লাইরেম্বী এফ সী মায় পাকখ্রে



**ককচিং, ফেব্রুৱারী ০৬ (ঐচ এন এস):** লংসাই থৌনা ককচিংনা শীন দুনা ককচিং ৱাইরি খুঞ্জাম্পাৎ শান্নবুংদা চত্থরিবা চহী ১১ মখাগী নুপামচাশিংগী ওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা সিন এফ সী অমসুং সেংগ্রোং লাইরেম্বী এফ সী মায় পাকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশনগী মীৎয়েং মখাদা লংসাই গ্রাসরুট ফুটবোল ইনিসিএটিবকী শরুক অমা ওইনা চত্থরিবা অন্দর-১১ লংসাই ট্রোফি ২০২৬কী ঙসি অহানবা মেটচতা সিন এফ সী ককচিং অমসুং য়াই এফ সী ককচিংগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা অহানবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা সিন এফ সীগী শান্নরোয় এষ্ট্রোনোটনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ৪৮ শুবা মিনটতা সিন এফ সীগী এষ্ট্রোনোটনা মখা তানা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু সিন এফ সীনা পাঞ্জল ২-০দা মায় পাকখি। অমরোমদা, ঙসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা সেংগ্রোং লাইরেম্বী এফ সী অমসুং এস এ ও টিম-এগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী সেংগ্রোং লাইরেম্বী এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা পাঞ্জল ৫-১দা মায় পাকখি।




# য়াইরিপোক ট্রোফিঃ বি ৱাই এফ ৱাই-এ অমসুং মণিপুর য়ুনাইটেদ দ্রো চৎখ্রে

**য়াইরিপোক, ফেব্রুৱারী ০৬ (ঐচএনএস):** বিষ্ণুনহা য়ুথ ফেদরেশন য়াইরিপোক (বি ৱাই এফ ৱাই)না শীন্দুনা ২ রক শুবা য়াইরিপোক ট্রোফি ৯-এ- সাইদ মণিপুর ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬ ঙসিদগী ফেদরেশন অসিগী শান্নবুংদা হৌদোকখিবগা লোয়ননা হৌদোকপা নুমিৎকী অহানবা মেটচতা বি ৱাই এফ ৱাই-এ অমসুং মণিপুর য়ুনাইটেদ দ্রো চৎখ্রে।



টিম ১৭না কাঙলুপ ৪ থোক্লা খায়দোল্লগা ঙসিদগী হৌদোকখিবা টুর্নামেন্ট অদুগী অহানবা মেটচতা বি ৱাই এফ ৱাই-এ অমসুং মণিপুর য়ুনাইটেদকী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখি। ঙসি হৌদোকপা নুমিৎকী থৌরম অদুদা থবক্তগী পোত্থারগা এসিষ্টেন্ট মাইবম বাবুনা অথোয়বা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

# ঈ এস য়ুনা আই সী এস এ থোইখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৬(ঐচ এন এস):** ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন (অম্ফা)না শীন দুনা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা চত্থরিবা অন্দর-১৯ ৱিমেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬কী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ঈষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (ঈ এস য়ু)না আই সী এস এ ইরেংবম মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীগী মরক্তা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.১৫ তাবদগী হৌরগা আই সী এস এ অমসুং ঈ এস য়ুগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী ঈ এস য়ুগী শান্নরোয়শিংনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা ঈ এস য়ুনা পাঞ্জল ৩-০দা মায় পাকখি।

# হৈবোংমখোং এফ সী অমসুং ঐচ এফ সী সেক্তা মায় পাকখ্রে




**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৬(ঐচ এন এস):** লাংমৈদোং মমাঙ লৈকায় সিটিজন ক্লব (এল এম এল সী সী)না শীন্দুনা ক্লব অসিগী শান্নবুংদা চত্থরিবা ৬ লক শুবা ভিলেজ লেভেল ওপন ৯-মেন-এ-সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬কী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা হৈবোংমখোঙ এফ সী উচিৱা হৈয়েল অমসুং ঐচ এফ সী সেক্তা মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অহানবা গ্রাউন্দগী মেটচ ওইনা নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদগী হৌরগা এল এম এল সী সী লাংমৈদোং অমসুং হৈবোংমখোঙ এফ সীগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী হৈবোংমখোঙ এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবসু মশিং হেন্না ফংবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা হৈবোংমখোঙ এফ সীনা পাঞ্জল ৬-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনসু মখা তানা হৈবোংমখোঙ এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা অদুম্মক লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোইননা মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা পাঞ্জল ১০-০দা মায় পাকখি।

অমরোমদা, ঙসি অনীশুবা গ্রাউন্দগী ১৭ শুবা মেটচতা ঐচ এফ সী সেক্তা অমসুং এম এম এল সী সী-বিগী মরক্তা লম্বা তৌনখিবা অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙল্লবসু মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা ঐচ এফ সী সেক্তানা পাঞ্জল ৩-১দা মাই পাকখি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1729**

**GM V. Sanal (2551) - CM Myhaylo Zhukovskyi (2191)**
**2nd 3-0 Thu 8th Jan 2026 chess.com INT (2), 2026.01.08**

1.e4 c5 2.Nc3 Nc6 3.Bb5 g6 4.Bxc6 dxc6 5.d3 Bg7 6.f4 Nf6 7.Nf3 Bg4 8.h3 Bxf3 9.Qxf3 O-O 10.O-O Qc7 11.Kh1 Rad8 12.Be3 b6 13.Rae1 Nd7 14.Ne2 Bxb2 15.c3 b5 16.Rb1 Ba3 17.Rb3 Qa5 18.f5 Ne5 19.Qf4 Nxd3 20.Qh6 c4 21.Bd4 Rxd4 22.Nxd4 cxb3 23. ...

**QUESTION :** White to win

**Puzzle 1728 Solution :**

**31. ...Qf2 32.g3**
*32.Rh7+ Kxh7*
*32.Qd8 Rh4#*
**32. ...Rf3 33.Qd6 Qf1+ 34. Kg4 Re3** *The black rook clears the way for Black's queen to the square f5.* **35. Kh4 Qh1+ 36.Kg4 Qh5+ 37.Kf4 Qf3#**
*37. ...Qg5# X-ray mate*
**0-1**

ꯇꯪꯍꯩꯇ꯭ꯔꯦ

**DUCK (BILATI)/LOCAL CHICKEN য়োঞ্জরি**


# Duck (Bilati) অরিবা চহী ২/৩/৪ শুরবা Rs. 330/-, Rs. 350/-, Rs. 370/- অমসুং Local Chicken অরিবা য়োঞ্জরি।

**থবক্কী পাউ**

# Chicken Cutting Boy or Helper 2 Nos.
# Tyre Fitting Helper 2 Nos.
# Car wash Helper 2 Nos.
# 2 Wheeler Mechanic/Mechanic Helper 2/2 Nos.
# Sale Executive (Vehicles / Inquiry) 2/2 Nos.

*Please Contact :* **S.M. Singh**
Mobile No. : # 9362775475

HL-B/11160/7 to 23 Alt




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com